# সনালৈবাক

(চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে)




লাক্লিবা তাং ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৫ শুবা রি–পব্লিক ডে থৌরমগা মরী লৈননা ঙসি ফুল রিহার্লসেল পাঙথোকখিবা



ইম্ফালদা লৈরিবা ইন্সটিট্যুট ওফ পিছ এন্দ কনফ্লিক্ট ষ্টদিগী দিরেক্টর মেজর জেনরেল (রি) দিপনকর বেজরজিনা লোক্তাক বিগ্রেদতা দিপ্যুটি চিফ মিনিষ্টর গাইখাঙমগা উন্নখিবা

ডাঃ লাইশ্রম সচিন্দ্রগী ক্লাকেথেল থোকচোম লৈকাইদা লৈবা য়ুমদা বোম লংশিল্লম্ববু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তু না ৱাকৎ মীফম পাঙথোকপা






Vol : 40 Issue : 151 Pages : 8 | Website: www.sanaleibak.in | Imphal , Friday, January 24, 2014 | ইরাই, ৱাকচিংগী ২৩ নি পানবা | E-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, | RNI Regd. No. 31350/77 | ₹ 3.00


## GAS NEWS

**HRANGCHAL GAS, NAOREMTHONG**
Bk.upto : 28-11-13
Valid From: 14-11-13
***Stock:288***
*Timing: 7:30 to 10:00 am*


**K & K, INDANE SERVICE**
Bk.upto : 16-11-13
Valid From: 10-11-13
***Stock:306, Sl. No. 350***
*Timing: 7:00 to 10:00 am*

**GBD LAMLONG**
Bk.upto : 12-11-13
Valid From: 01-11-13
***Stock:306***
*Timing: 7:30 to 11:00 am*

**MISAO GAS**
Bk.upto : 23-11-13
Valid From: 06-11-13
***Stock:612***

**POROMPAT GAS, LOKLAOBUNG**
Bk.upto : 29-11-13
Valid From: 06-11-13
***Stock:306***
*Timing: 7:30 to 10:30 am*

## লোইরেদনা





# মক্রু থোংগী মথংদা বরাক থোংসু শেমজিল্লগনি

## ইরং, বরাক অমসুং মক্রু থোং সরকারনা আর সি সিগী ওন্থোকপীয়ুঃ রঞ্জিৎ

এস এন এস

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৩ঃ* হৌখিবা জনুৱারি ১৮ দগী ২০ ফাওবা নুমিৎ হুম্নি চংনা নেসনেল হায়ৱে–৩৭ ইম্ফাল জিরিবাম লম্বীগী মরু ওইবা থোং অমা ওইরিবা মক্রু থোং ফিভম চাদনা লৈরম্বা অদু শেমজিনখ্রবা মতুংদা লম্বী অসিদা লৈবা অতোপ্পা মরু ওইবা থোং অমা ওইরিবা বরাক থোংসু ত্রান্সপোর্টরস এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সিল(টি ডি সি)না শেমজিল্লগনি হায়না লুপ অসিগী প্রসিডেন্ট ঐচ রঞ্জিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি টি ডি সিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাক্না হায়, নেসনেল হায়ৱে অসিগী য়াম্না মরু ওইবা থোং অমা ওইরিবা মক্রু থোং অসি নুমিৎ হুম্নি চংনা শেমজিবগা লোয়ননা জনুৱারি ২১দগী জিরিবাম লোমদগী মাল হাপ্লগা চংলকপা ত্রক ৬৫৫ নুমিৎ অদুমক্তদা মক্রু লাম্থোকপা ঙমখি।

থোং শেম্লিঙৈগী মনুং নুমিৎ হুম্নি অদুদসু লম্বী অসিদা জিরিবাম অমসুং ইম্ফালদগী লাকপা পেসেঞ্জর গাড়ীশিং লোইনা লাম্থোক লানশিন তৌহল্লি। থোং শেম্বা লোইরবা মতুং জনুৱারি ২১গী নুমিদাং পুং ৯ ফাওবা থোং অসিদা মাল পুবা ত্রকশিং লোইনা লাম্থোক লানশিন তৌখি।

থোং অসিগী উপাকশিং ঙক্লৌ পীবা য়োৎ(ষ্ট্রিঞ্জেজ)শিং অসি য়াদবা অমসুং উপাক য়াদবনা মরম ওইরগা থোং শেমদ্রিঙৈদা পুং অমদা গাড়ী ৩৫–৪০ ফাওবা লাল্লম্বা অদু থোং শেম্বা লোইরবা মতুংদা পুংদা গাড়ী ৭০–৮০ ফাওবা লাম্থোকপা ঙমখি।

থোং শেমদ্রিঙৈগী মতম অসিদা এস্কোর্টকী খ্বাইদগী মনিং থংবা গাড়ী অদু লাম্থোকপদা নুমিৎ হুম্নি চংলম্বা অদু থোং শেমজিল্লবা মতুং অসিদা নোংমদগী হেন্না চংদ্রে। মক্রু থোং ফিভম চাদনা লৈরম্বা অদু হৌজিক্তিঃ শেমজিল্লবা মতুংদা গাড়ী লানবদা অপনবা লৈত্রবসু বরাক থোংগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইরগা থোং অসি য়ৌরকপা মতমদা গাড়ী লাম্থোক লানশিন তৌবদা খুদোং চাদবা মায়োক্লবনা মতম শাংনা পন্দুনা লৈরি। মরম অসিনা থোং অসিসু অথুবা মতমদা টি ডি সিগী মায়কৈদগী শেমজিল্লগনি। হৌজিক বরাক থোংগী নাকলদা অনৌবা বেল্লি ব্রিজ অমা শাননবা হোৎনরবসু মদু লোইবা ঙইবা য়াদবনা থোং শেমজিন্নবগী ফিরেপ অসি লৌরকপনি হায়না মহাক্না মখা তাখি।

অমরোমদা নেসনেল হায়ৱে অসিগী মরু ওইবা থোংশিং ওইরিবা ইরং, বরাক অমসুং মক্রু থোং অসি আর সি সিগী থোং ওন্থোকপীনবা মণিপুর সরকার অমসুং ভারত সরকারনা অথুবা মতমদা থবক পায়খৎপীনবা দাবী তৌখি।

নেসনেল হায়ৱে–৩৭ কী লম্বীগী শরুক হৌজিক শেম্বগী থবক চংশিল্লিবা অসি য়াম্না খোঙজেল তপ্পি। লম্বী অসিগী ইরং, খোঙশাং, রেংপাং, নুংবা, কম্বীরোল, বরাক অমসুং সিবিলোংগী লম্বীগী শরুক অসি হৌজিক ফিভম শোকপা শরুক কয়া লৈরি।

▷মখা লমায় ৫ কলম ৬ দা

# বিজেপিগী ভোলুন্টিয়ার্স মিট কম দোনেসন কেম্পেইন হৌখ্রে

*এস এন এস*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৩ঃ* ভারতিয়া জনটা পার্টি ( বি জে পি)গী প্রাইম মিনিষ্ট্রিয়েল কেন্দিদেট ওইনা লাওথোকখ্রবা নরেন্দ্র মোডিগী মিসন ২৭২+ পু মায় পাকপা ঙমহন্নবা অমসুং জাতি অসিনা নরেন্দ্র মোডিবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহন্নবগী মংলান মঙফাওনবা ঙমহন্নবগীদমক মোডি ফোর পি এম ফন্দগীদমক ভোলুন্টিয়ার মীট কম দোনেসন কেম্পেইন অমা বি জে পি মণিপুর ষ্টেটকী মেডিয়া ( আই টি) অমসুং বি জে ৱাই এমনা শিন্দুনা হৌদোকখ্রে।

কেম্পেইন হৌদোকদগী থৌরম অদুদা বি জে পিগী নেসনেল ভাইস প্রসিডেন্ট এস টি মোর্চা প্রোঃ গাঙমুমৈ কামৈনা হায়, নরেন্দ্র মোডিগী চংশিল্লক্লিবা খোঙথাং অসি লৈবাক অসিদা অমুক্তা চথখিদ্রিবা খোঙথাং অমনি। লৈবাক অসিদা কংগ্রেসনা লুচিংবা য়ু পি এ সরকারনা চহি ১৪ সাসন তৌরকপদা সরকার অসিদা প্রজাশিংগী পেন্দবা কয়া লাকপনা

▷মখা লমায় ৫ কলম ১ দা

# রিপব্লিক ডেগী ফুল রিহার্সেল পাঙথোকখ্রে

এস এন এস

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৩ঃ* লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকপগুম মণিপুরদসু মণিপুর সরকারনা শিন্দুনা লাক্লিবা জনুৱারি ২৬ তা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৫ শুবা রিপব্লিক ডেগী থৌরমগা মরি লৈননা ফুল ড্রেস রিহারসেল ঙসি সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগী থৌরাংগা লোয়ননা পাঙথোকখ্রে।

মণিপুর পুলিসকী নুপা অমসুং নুপীকী কংলুপ, আই আর বি, সি আর পি এফ, অসাম রাইফল, হোম গার্দ, ভি দি এফ, স্কুল অমসুং কলেজগী মহৈরোইশিং, বেন্দ কন্টিঞ্জেন্টশিং, কলচরেল গ্রুপ য়াওনা পুম্না কন্টিঞ্জেন্ট ৮৪ না ঙসিগী ফুল ড্রেস রিহার্সেল অদুদা শরুক য়াখি।

৬ শুবা আই আর বিগী কম্মান্দিং ওফিসার নামৈরাকপম হেরোজিৎনা পেরেড কমান্দর ওইখিবা রিহার্সেল অদু অহানবা মণিপুর রাইফলসকী পেরেড গ্রাউন্দদগী হৌরগা নেসনেল হায়ৱে–২গী ওল্ড সেক্রেটরিয়েট মমাং ফাওদুনা লাক্লবা মতুংদা জি পি ও ফাওরগা কংলাগী খা থংবা হোজংদা চংলক্লগা অৱাং এ ও সি তম্না লাকখি। মদুগী মতুংদা খোয়াথোং ফাওদুনা কংলাপার্ক পরিং লাক্লবা মতুংদা কংলাগী নোংচুপ থংবা হোজং মমাং ফাওরক্লগা নিত্যাইপাৎ চুথেক তারক্লবা মতুংদা জেল রোড ফাওদুনা অহানবা এম আরগী পেরেড গ্রাউন্দদা লমথুংফম ওইখি।



# ‘প্রাইভেট সেক্টরগা খুৎশম্নদুনা থবক ফংদবগী সমস্যা কোকহন্নবা হোৎনগদবনি’

*এসএনএস*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২২ ঃ* মণিপুরদা থেংনরিবা থবক ফংদবগী সমস্যা অসি সরকার খক্তদা ইন্থোকপা চুপ্লোই, সরকার অমদি ষ্টেট অসিদা লৈরিবা প্রাইভেট সেক্টরশিংনা পুন্না হোৎনদুনা থবক ফংদবগী সমস্যা কোকহনবা ঙমগনি হায়না চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা ঙসি ইবোয়াইমা শুমাং লিলা শঙলেন্দা পাংথোকখিবা ষ্টেট লেভেল কৃষি মেলা ২০১৪ গী লোইশিনবগী থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াদুনা ফোংদোকখ্রে।

এগ্রিকলচর দিপার্টমেন্টকী মখাদা এগ্রিকলচরেল টেক্নোলোজি মেনেজমেন্ট এজেন্সি (অটমা) না শিন্দুনা পাঙথোকখিবা ষ্টেট লেভেল কৃষি মেলাগী লোইশিনবা থৌরম অদুদা চিফ মিনিষ্টর ওক্রম ইবোবীনা মখা তানা ফোংদোকখিবদা, মণিপুরগী চীং অমসুং তমদা হৌজিক লৈরিবা লৌমীশিংনা লৌ উবদা মতম–মতমগী ওইবা টেক্নোলোজিশিংগী মরমদা মমুৎ তানা খংহন্নবগী পান্দমদা ষ্টেট লেভেল কৃষি মেলা অসি পাংথোকপনি।

মেলা অসিদা শরুক য়ারিবা লৌমীশিংনা অনৌবা মখল কয়াগী টেক্নোলোজিশিংগী মরমদা হেন্না খঙবগা লোয়ননা হেন্না চাথোক পুথোক্লবা হোৎনবদা কান্নবা ফংলগনি হায়বগী থাজবা থমখি। লৌমীশিংদা অহেনবা শেন্থোক লৈহন্নবা পোথোক

▷মখা লমায় ৫ কলম ৬ দা

# শিন্মী ২ থাদোরক্লে

*এসএনএস*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৩ ঃ* থাসিগী তাং ১৮ দা সেকমাই পুলিসকী মনুং চন্না লৈবা কংলাতোংবীদা থবক শুবা শিন্মী অনি থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী থৌবাল অথোকপদগী থোঙাম সান্ত (৪৫) অপোকপা মোইরাং অমদি থৌবাল নেপ্রা কম্পনিদগী পাউনম তোম্বা (৩৫) অপোকপা মঙ্গীবু শকখঙদবা খুৎলায় পায়বা কুকি লালহৌলুপশিংনি চিংনবশিংনা শেলগী দিমান্দগা মরী লৈননা ফাখিবদু ফংননবা হোৎনবদা

▷মখা লমায় ৫ কলম ৭ দা

# মণিপুরদগী অঙাং মঙা য়াওরে

*এস এন এস*

*ইম্ফাল, জনুৱারি ২৩ঃ* লাক্লিবা জনুৱারি ২৬ তা ভারতকী কোনুং দিল্লিদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৬৫ শুবা রিপব্লিক ডেগী থৌরমগা মরি লৈননা মনা পীনবা খনগৎপদা মণিপুরদগী অঙাং মঙা য়াওরে।

মসিগী মনুংদা চহি অসিগী ওইনা জিবন রক্ষা পডক এৱার্দ–২০১৩গীদমক খনগৎপদা মণিপুরদগী অঙাং অনি য়াওরে।

মনা অসিগী ওইনা লৈখিদ্রবা মতুংদা পীবা সর্ভোত্তম জিবন রক্ষা পডক্কীদমক অঙাং অহুম খনগৎপদা মণিপুরগী লৈখিদ্রবা মাষ্টর এম খায়িংথৈ য়াওরি। জিবন রক্ষা পডক্কীদমক অঙাং ২৮ খনগৎপদা মণিপুরগী মাষ্টর অরাম্বম সনাজাওবা য়াওরি।

লোয়ননা চহি অসিগী ওইনা নেসনেল ব্রেভরি এৱার্দ পীনবা অঙাং ২৫ খনবদা মণিপুরদগী অঙাং অহুম য়াওরে। মখোয়শিং অদুদি মাষ্টর কংলৈঙানবা ক্ষেত্রিময়ুম,কুমারি খরিবম গুনিচান্দ দেবী অমসুং লৈখিদ্রবা মাষ্টর এম খায়িংথৈনি।




Smt. Sonia Gandhi
Chairperson, UPA



Dr. Manmohan Singh
Prime Minister

# RIGHT TO INFORMATION HAS GIVEN EVERY CITIZEN THE RIGHT TO MAKE GOVERNMENT ACCOUNTABLE

- Crores of applicants provided information through Right to Information Act, 2005 by Central and State Governments
- Lokpal enacted for accountable and transparent governance
- Whistle Blowers Protection Bill and Delivery of Services Bill introduced in Parliament

भारत निर्माण के प्रमाण

REACHING PEOPLE, CHANGING LIVES.

davp 22111/13/0215/1314